# অজলান শাহ ২০১৭ : ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওস্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা মায়থীখ্রে



ইপোহ (মালেসিয়া), মে ০২ :
মালেমগী তরুকশুবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপা হোকি টিমনা মফম অসিদা চথরিবা সুলটান অজলান শাহ হোকি টুর্ণামেন্টকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওস্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থীহৌখ্রে।

চথরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মায়থীখিবা অসিনা অহানবসু ওইরি। ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হরমনপ্রীটনা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা চনখি। অদুগা ওস্ট্রেলিয়াগী গোলশিং অদুনা মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা ইদি পোকেন্দেন, মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা টোম ক্রাইগ অমসুং মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা টোম ৱিকখামনা গোল অমমম চনখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা ফংখিবা মেচতা গ্রেট বৃটেনগা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রবা মতুং অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মেচ অহুম শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকপা, মেচ অমা মায়থীবা অমদি মেচ অমনা দ্রো চৎতুনা অপুনবা পোইন্টমরি ফংদুনা চৎলি।

ওস্ট্রেলিয়ানা সুলটান অজলান শাহ হোকি টুর্ণামেন্টকী টাইটল মপাল্লক লৌখ্রে অদুগা ইন্দিয়ানা মরিরক লৌবা ঙমখ্রে। টুর্ণামেন্ট অসিদা ওস্ট্রেলিয়া অমদি ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা টিম ওইরি।

ইন্দিয়া অমদি ওস্ট্রেলিয়া অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। ইন্দিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা এটেম্পশিং তৌখি। মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা য়েৎথংবা সাইদতগী মন্দীপনা পীরকখিবা পাস অমা হরমনপ্রীটনা ওল্লুগা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

ওস্ট্রেলিয়াসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা তকখৎলকখিবা এটেক্তা স্ট্রোক অমা ফংখি। মদুদা ওস্ট্রেলিয়াগী ইদি ওকেনে দননা নিংথিনা কনশিনখিদুনা ইন্দিয়াগী কষ্টদিয়ন অকাস চিকটেবু মায়থীবা পীরন্নগা গোল চনখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অমদি গোল কিপর পি আর শ্রীজেশনা মেচ অদুদা ওস্ট্রেলিয়গী প্লেয়র অমগা থেংজিন্নবদগী শোকখিদুনা মহাকপু ফিল্ডদগী পুথোকখ্রগা মহুৎ ওইনা অকাস চিকটেবু থাজিল্লকখিবনি।

অনীশুবা হাফতা ওস্ট্রেলিয়ানা হেন্না মতিং লৈনা শান্নরকখিদুনা অথুবা মতমদা পেনালটি কোর্নর অহুম থংন-থংননা ফংখি। অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা ওস্ট্রেলিয়ানা ফজরবা ফিল্ড গোল অমা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চনশিনখি।

গোল অদু টোম ক্রাইগনা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী কষ্টদিয়ন চিকটেবু নঙ্গাৎলম্লগা ফজরবা শুট অমা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অরোইবা ক্বার্টরদা ওস্ট্রেলিয়ানা হেন্না কন্না শান্নরক্তুনা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা টোম ৱিকখামনা ইন্দিয়াগী পোষ্ট মনুংদা শাফু কন্না য়ৈশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিদুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মখা তানা ইন্দিয়ানা গোল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ানা মায়থীহৌখিবা অসিনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফমদা লৈরমখিবা অদু অহুমশুবদা কুমথরক্তুনা লৈখ্রে। ওস্ট্রেলিয়ানা টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে। ওস্ট্রেলিয়ানা মেচ অহুম শান্নখিবা পোইন্ট ৭ ফংদুনা চৎলি। অদুগা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৪ খক্তমক ফংলি। গ্রেট বৃটেননা পোইন্ট ৪ ফংলবসু ইন্দিয়াদগী মাঙজিল থাখিদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়া অমদি বৃটেন অনীনা য়েংনরকপা মতমদা বৃটেননা ইন্দিয়াদগী গোল অমা হেন্দুনা অনীশুবা মফমদা লৈখিবনি। বৃটেননা ঙসি অথেংবদা য়ুম্বু মালেসিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। হৌজিক ইন্দিয়ানা মেচ অনী শান্নগদবা ৱাৎলি। মেচ অমনা জপানগা অমদি মেচ অমনা মালেসিয়াগা শান্নগনি। মেচশিং অসিদা ইন্দিয়ানা সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক মায় পাক্তবা য়াদ্রি।


পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা সুলটান অজলান শাহ কপ হোকি টুর্ণামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ন্যু জিলেন্দবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী অহানবা গোল অদু অনীশুবা ক্বার্টরদা মন্দীপনা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখি। অদুগা হরমনপ্রীটনা পেনালটি কোর্নর অনী গোল ওন্থোকখিদুনা ইন্দিয়ানা মহাক্কী অহানবা মেচতা গ্রেট বৃটেনগা ২-২ দা দ্রো চৎখিদুনা নিংবা কায়খিবা অদু খরমখৈ শাফখিবনি।

# লেজেন্দরি ফুটবোল্লর ওইনাম বেমবেম, গুরপ্রীটপু অর্জুনা এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখ্রে

## রজিব গান্ধি খেল রত্নাগীদমক সর্দার সিংহ ঐচ আইনা রিকম্মেন্দ তৌখি





ন্যু দেল্লি, মে ০২ :
লেজেন্দরি ফুটবোল্লর ওইনাম বেমবেম দেবী, জেজে লালপেখলুআ অমসুং গুরপ্রীট সন্ধুবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না চহী অসিগী অর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌখ্রে।

অমরোমদা, সেনিয়র প্লেয়র অমদি হান্নগী কেপ্টেন সর্দার সিংহবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লেমজনিঙাই ওইরবা রজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দকীদমক হোকিইন্দিয়ানা রিকম্মেন্দ তৌখি। অদুগা অতোপ্পা হোকি প্লেয়রশিংসু তোঙান- তোঙানবা এৱার্দশিংগীদমক রিকম্মেন্দ তৌখি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবী বেমবেমনা হৌখিবা মতমদা মশক থোক্লা লৈবাক অসিগীদমক শান্নদুনা ইন্টরনেসনলগী কেরিয়রদা মতিং লৈনা মথৌদাং পাঙথোক্লমখি। মহাক্লা মমাঙগী চহীদা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমস মতুংদগী মহাক্কী শান্নবগী কেরিয়রদগী পোথাখি।

মহাক্লা লৈবাক অসিগীদমক উৎলম্বা মথৌদাং অদুবু শকখঙবা ওইনা এ আই এফ এফনা অর্জুনা এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখি। নুপীগী মশান্না অসিদা বেমবেমনা খ্বাইদগী তোমথিন ওইনা ঙানবী প্লেয়র ওইখিবনি।

অমরোমদা, মমাঙগী চহীদা নোর্ৱেজিয়নগী টোপ দিভিজন ক্লব ষ্টাবেকতা শান্নখিবা গুরপ্রীটকী মতিক মথৌনা অদুবু খঙদুনা এ আই এফ এফনা অর্জুনা এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌখি। গোলকিপর গুরপ্রীট সন্ধুনা য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা প্লেয়র অমসু ওইরিবনি।

এ আই এফ এফকী প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নখ্রবা জেজে লালপেখলুআবুসু অর্জুনা এৱার্দকীদমক এ আই এফ এফনা নোমিনেট তৌখি। জেজেনা নেসনল টিমগী মরু ওইবা মেম্বর অমা ওইবদা নত্তনা মহাক্লা হৌজিক আই-লীগতা মোহন বগানদা লৈদুনা শান্নরিবনি।

নাকল অমরোমদা, হোকি ইন্দিয়া (ঐচ আই) না সেনিয়র প্লেয়র অমদি হান্নগী কেপ্টেন সর্দার সিংহবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লেমজনিঙাই ওইরবা শান্নরোয়শিংদা পীবা থাক ৱাংলবা এৱার্দ রজিব গান্ধি খেল রত্নাগীদমক রিকম্মেন্দ তৌখি।

সর্দার সিংহনা মহাক্কী অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৩-০৪ দা পোলেন্দদা চৎখিবা ইন্দিয়ন জুনিয়র টিমগী টুরদা য়াওদুনা শান্নখি। কুমজা ২০০৬ তা মহাক্লা ইন্দিয়ন টিমগী সেনিয়রদা গ্রেজুয়েট ওইদুনা অহানবা ওইনা পাকিস্থানগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখি।

সর্দার সিংহগী মশাগী ফিটনেসতা মমিং লৈনা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খঙনখিবতা নত্তনা মালেমদসু মহাকপু খঙনখিবনি। কুমজা ২০১০ অমসুং ২০১১ দা এফ আই ঐচ ওল ষ্টার টিমগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদতা সর্দারনা য়াওবা ঙমখি। কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা সুলটান অজলান শাহ কপ্তা মহাক্লা ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা লুচিংদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নহা ওইবা প্লেয়র অমসু ওইবা ঙমখিবনি। মহাক্লা কুমজা ২০১২ দা অর্জুন এৱার্দ ফংখ্রে। অদুগা কুমজা ২০১৫ দনা পদ্ম শ্রী ফংখ্রে।

অতোপ্পা প্লেয়রশিংগী মনুংদা এস ভি সুনিল, ধরম্ভীর সিংহ অমদি দিপিকাবু অর্জুনা এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌখি। অদুগা আর পি সিংহ অমদি সুমরাই টেটেবুনা ধ্যান চান্দ এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌখি। কোচ সন্দীপ সঙ্গৱন অমদি রোমেশ পথানিয়াবু দ্রোনাচার্য এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌখি।

তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা রিকম্মেন্দেসন তৌদুনা পীখৎলক্লিবশিং অসি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা শেমখিবা কম্মিটি অমনা য়েংশিল্লবা মতুং অরোইবা ওইনা লাউথোরক্কনি।


হান্নগী প্লেয়র আর পি সিংহনা কুমজা ১৯৮৬ অমদি ১৯৯০ গী ৱর্ল্ডকপ্তা লৈবাক অসিগীদমক মহুৎ শিন্দুনা শান্নখি। হান্নগী ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমগী কেপ্টেন অমদি কোচ সুমরাই টেটেনা কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা মাঞ্চেষ্টর কম্মনৱেলথ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবা ইন্দিয়ন টিমগী মেম্বর অমা ওইখিবনি।


ইন্দিয়াগী ওইনা পিচতা খ্বাইদগী য়াংবা প্লেয়র অমনি হায়না লৌনরিবা এস ভি সুনিলনা সেনিয়র মেন'স টিমগীদমক চাউরবা থৌদাং লৌদুনা মশক থোক্লা শান্নরি। মহাক্লা ইন্দিয়ন টিমগী ভাইস-কেপ্টেনসু ওইরি।

চহী ১০ হেন্না ইন্টরনেসনল কেরিয়রদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখ্রবা দিপিকানা কম্মনৱেল্থ গেমস, ৱর্ল্ড কপ্তা নত্তনা কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিকস্তা মতিং থোক্লা শান্নখি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱিমেন'স এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি লৌখিবা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওদুনা মহাক্লা চাউরবা দাইত্ব লৌখিবনি।

ধরম্ভীর সিংহসু এসিয়ন গেমস গোল্ড মেদল ৱিন্নিং টিমদা য়াওখিবদা নত্তনা কম্মনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেদল লৌখিবা অমদি কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ২৪শুবা সুলটান অজলান শাহ কপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা টিমদা শরুক য়াখিবনি।

# এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ : শিভ, সুমিট, ভিকাস কৃষন, গৌরভ বিধুরিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে





টাশকেন্ট, মে ০২ :
মরিশুবা সীদ শিভ থাপা (কেজি ৬০) না মফম অসিদা চথরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা বাউটতা মহাক্কী লম্বাবু অকনবা মওংদা থিন্দৎতুনা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি এসিয়ন মীটতা অনীরক মেদল লৌবা ঙমখ্রবা শিভনা কির্গিজষ্টানগী ওমুরবেক মালাবেকোভপু থিন্দৎতুনা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখি।

শিভনা ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা চাইনিজ টাইপৈগী চু-ইন লাইগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রবা বোক্সরনা মমাঙগী এসিয়ন ওলেম্পি ক্বালিফাইর্সতা গোল্ড মেদল লৌখিবা সুমিট সঙ্গৱন (কেজি ৯১) নি। মহাক্লা মোঙ্গোলিয়াগী ইর্দেননেবায়র সন দাগসুরেনবু মহাক্কী লাষ্ট সিক্সটিন বাউটতা মায়থীবা পীখি। সুমিটনা মথংগী বাউটতা অহুমশুবা সীদেদ চাইনিজগী ফেংকাই য়ুগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা, টোপ সীদ ভিকাস কৃষন (কেজি ৭৫), গৌরভ বিধুরি (কেজি ৫৬) অমদি অমিট ফঙ্গাল (কেজি ৪৯) না চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। ভিকাসনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা বাউটতা থাইলেন্দগী পাথোমসাক কুট্রিয়াবু থিন্দৎতুনা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

ওপনিং রাউন্দ অদুদা কৃষনগী ওইথংবা মিৎপান অদু ওপোনেন্টনা থিল্লকখিবা পঞ্চতা মচেৎ খরা শেগায়দুনা ঈ থোকখি। বাউট অদু রেফ্রিনা ইন্দিয়াগী ফেভরদা লেপহন্দ্রিঙৈ অনীরক থিন্নবা লেপখি।

ভিকাসনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দোনেসিয়াগী বেটৌবুন ব্রামা হেন্দ্রাগা মায়োক্নদুনা থিন্নরগনি। গৌরভনা মহাক্কী অহানবা কন্টেষ্টতা থাইলেন্দগী য়ুট্টাপোং টোংদীবু মায়থীবা পীখি। মহাক্লা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা চাইনাগী অনীশুবা সীদ জিয়াৱৈ হাংগা লম্বা তৌদুনা থেংনরগনি।

ইন্দিয়াগী কেজি ৪৯ গী কেটগোরিদা শান্নরিবা অমিট ফঙ্গালসু মহাক্কী বাউট অদু মায় পাকখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙখি। এসিয়ন য়ুঠস সিলভর ৱিন্নর অশিসকুমার (কেজি ৬৪) না উজবেকিষ্টানগী ইকবোলজোন খোলদারোভকী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি। বোক্সর অহুম অসিনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রবা মতুং প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজদা লম্বানবা হৌখিবনি।

কেটগোরি ১০ দা পাঙথোক্লিবা টুর্ণামেন্ট অসিগী কেটগোরি খুদিংমক্তগী টোপ সিক্সনা ৱর্ল্ড কপকীদমক খুমাঙ চাউশিনগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা লৈবাক ২৮ দগী বোক্সর ১৭৯ না অথোই-অহেন তান্নরি। টুর্ণামেন্ট অসি জর্মনিগী হমবার্গতা ওগষ্ট-সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন-শিপকীদমক ক্বালিফাইয়র অমসু ওইরিবনি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা অরোইবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল ৪ লৌবা ঙমখি। ভিকাসনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেদল লৌখি অদুগা শিভ থাপা, এল দেবেন্দ্রো সিংহ (কেজি ৫২) অমদি সটিশ (কেজি ৯১ মথক) না ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌখি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন মীটতা অরোইবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌখি। গোল্ড মেদল অদু বন্টমৱেঠ দিভিজনদা শিভ থাপানা লৌখিবনি। কুমজা ২০০৯গী এদিসনগী চেম্পিয়নশিপ্তা এন সুরঞ্জয় সিংহ (কেজি ৫২) না গোল্ড মেদল লৌখি।

# পোর্টুগালগী ইষ্টোরিলনা প্রেক্টিস গেমদা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ টিমবু ৪-১ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে

লিস্বোন, মে ০২ : ইন্দিয়ন অন্দর-১৭ ফুটবোল টিমনা মসিগী য়ুরোপ এক্সপোজর টুরগী মনুং চন্না মফম অসিদা শান্নখিবা প্রেক্টিস মেচতা পোর্টুগিজ ক্লব ইষ্টোরিলগী মখুৎতা ১-৪ দা মায়থীখ্রে।

প্রেক্টিস মেচ অদুদা ইষ্টোরিল অমদি ইন্দিয়ন অন্দর-১৭ টিমগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অদুবু মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা ইষ্টোরিলগী মোন্টেরোনা অথুবদা তৌখিবা এটেক অমদা ইন্দিয়ন দিফেন্সপু লাম্থোক্তুনা পুশিনখিবা বোল অমনা গোল চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মখোয়না গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী প্লেয়র অসিনা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌননবা অকনবা মওংদা হোৎনখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে।

ইষ্টোরিলনা মখা তানা ইন্দিয়ন সাইদত তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা ভেলেজনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ২-০ দা লৈখি। মেচ অদুগী ব্রিক ফাওবদা ইষ্টোরিলনা গোল ২ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুগা ইন্দিয়ানা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

ব্রিক মতুংদা ইষ্টোরিলনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তকখৎলকখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা ফজরবা এটেম্পশিং তৌখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা বর্নাদোনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা অপুনবা গোল ৩-০ দা লৈহনখি।

ভিজিটিং সাইদনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা রাহুলনা তৌরকখিবা ক্রোস অমদা রহিম অলিনা মেচকী মিনিট ৭৮ চৎপা মতমদা অশোয়বা য়াওদনা ইষ্টোরিলগী গোলপোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-৩ দা লৈখি।

ইষ্টোরিলনা মখা তানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। ইষ্টোরিলনা মশক থোক্লা টিমমেটশিংগী মরক্তা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনা শান্নরকখিবনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা কয়া ফংখি। মখোয়না মখা তানা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮৮ চৎপা মতমদা এন্দ্রেদনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা মায়োক্লখিবা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীখি।

ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ স্কাদ অসিনা পেরিসতা চৎতুনা প্রেক্টিস মেচ ওইনা পি এস জি অন্দর-১৭ টিমগা মায়োক্নদুনা শান্নরুগনি।


राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान,मणिपुर

**NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY, MANIPUR**

An Autonomous Institute under MHRD, Govt. of India

*No. NITM.1/(50-Estt)/Advt/2016-90* *Imphal, the 03rd May 2017*

**NOTIFICATION**

Applications are invited from eligible candidates to apply online for admission to Doctor of Philosophy (Ph.D) Programme for the academic session 2017-18 starting in July 2017 in National Institute of Technology Manipur for the following branches :

1. Civil Engineering
2. Computer Science and Engineering
3. Electrical Engineering
4. Electronics and Communication Engineering
5. Mechanical Engineering
6. Mathematics
7. Physics
8. Chemistry

For applications and other details log in to the institute website **www.nitmanipur.ac.in** w.e.f 03-05-2017.

*Sd/-*
*Registrar, NIT Manipur*

HL-B/3848/3&4



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

*Ref:- Mut. Case No. 133/SDC/IW/LC of 2017*

Khomdram Sanjoykumar Singh S/o (L) Kuteshor alias Rameshor Singh of Langthabal Mantrikhong Makha Leikai.
...... *Petitioner*

-Vrs-

Late, Khomdram Kuteshor Singh S/o (L) Munal Singh of Langthabal Mantrikhong.
...... *O.P.*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

Lilong Chajing, the 2nd May 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৬-লাংথবাল মন্ত্রিখোংদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ৭৬ অনৌবা পাট্টা নং ৭৪/৪১৮ দাগ নং ২৬১/৫৯০ এরিয়া ০.০৭৩০০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার খোমদ্রাম কুতেশ্বর সিংহ পীং মৃ: মুনাল সিংহ সাং লংথবাল মন্ত্রিখোং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিদা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা লাকপীদুনা অইবা চেনা আপতি তৌবিরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/1478/3



**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, MOIRANG**

*Ref:- Mutation Case No. 92/ASSO/MRG* *Date: 2/5/2017*

1. Kumam Joykumar Singh S/o (L) K. Khoidong Singh of Moirang Panshang Leikai.
2. –do– Johson Singh S/o –do– of –do–.
3. –do– Noren Singh S/o (L) Ibotombi Singh of –do– .
4. –do– Shantikumar Singh S/o –do– of –do–.

-Vrs-

(Late) 1. Kumam Khoidong Singh S/o (L) Ningthou Singh of Moirang Panshang Leikai.
(Late) 2. –do– Ibotombi Singh S/o (L) –do– of –do–.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/ NOTICE**

Moirang, 2/05/2017

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫২/মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নম্বর ১৩৪৫ (অরিবা) অমসুং ৫২/৪০১ (অনৌবা), সী. এস. দাগ নম্বর ৬৭৪ এরিয়া ০.৬৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী মৃত্তু পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না মখা কেস চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer
Moirang, Manipur

HL-P/1480/3


# আই পি এল : বেন ষ্টোক্সকী সেঞ্চুরিনা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখ্রে

পুনে, মে ০২ :
বেন ষ্টোক্সনা মশক থোক্লা লৌখিবা রন ১০৩ না রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা মফম অসিগী মহারাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখি।

টোস ঙমখিবা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা অহানবা ফিল্ডিং খনখিদুনা গুজরাট লাইওন্সনা বেট্টিং তৌখি। মদুদা গুজরাট লাইওন্সনা ওভর ১৯.৫ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১৬১ লৌদুনা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী টার্গেট রন ১৬২ পীরমখি।

রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা মখোয়গী টার্গেট রন লৌননবা তানখৎখিবদা ওভর ১৯.৫ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৭ লৌদুনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখি।

টার্গেট রন ১৬২ লৌননবগীদমক তানখৎখিবদা ইংলিসমেন বেন ষ্টোক্সনা বোল ৬৩ দা বাউন্দরি ৭ য়াওনা সিক্স ৬ কনখিদুনা রন ১০৩ লৌদুনা টিমগী মায় পাক্লবগী য়ুম্ফম থোনখি। মহাক্লা মেচ লোইবা ফাওবা ক্রিজদা নোট আউট ওইনা লৈখি।


টিমগী বেটসমেন অজিঙ্ক্য রহানেনা রন ৪, রাহুল ট্রিপাথিনা রন ৬, কেপ্টেন ষ্টেভন স্মিথনা রন ৪, এম এস ধোনিনা রন ২৬ অমসুং দেনিএল ক্রিষ্টিয়ননা রন ১৭ লৌদুনা টিমগীদমক মায় পাকপদা মতেং পাংখি। অদুবু টিমগী বোলর ইমরাম টাহিরনা ওভর ৪ দা রন ২৭ খক্তমক পীরগা ৱিকেট ৩, জয়দেভ উনাদকটনা ওভর ৩.৫ দা রন ২৯ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা গুজরাট লাইওন্সগী বেট্টিং লাইনবু থুগায়খি।

শার্দুল থাকুরনা ওভর ৩ দা রন ২৫ পীরগা ৱিকেট অমা, দেনিএল ক্রিষ্টিয়ননা ওভর ৩ দা রন ২৭ পীরগা ৱিকেট অমা লৌদুনা টিমনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

অহানবা ইন্নিংসতা গুজরাট লাইওন্সকী বেটসমেন অমত্তনা রন ৫০ ফানা লৌবা য়াওখিদে। মখোয়গী বেটসমেন ইশান কিশননা বোল ২৪ দা রন ৩১, ব্রেন্দন মেককলমনা বোল ২৭ তা রন ৪৫, কেপ্টেন সুরেশ রাইনানা রন ৮, আরোন ফিঞ্চনা রন ১৩, দিনেশ কার্টিকনা রন ২৯, রভিন্দ্রা যাদেজানা রন ১৯, জেমস ফাউল্কনরনা রন ৬ লৌদুনা টিমগীদমক হোৎনখ্রবসু রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী বোলরশিংনা অকনবা প্রেসর পীদুনা ক্রিজদগী মথং-মথং মপানদা পুথোকখি।

মখোয়গী বোলর প্রদীপ সঙ্গৱননা ওভর ৪ দা রন ৩৮ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি বাসিল থম্পীনা ওভর ৪ দা রন ৩৫ পীরগা ৱিকেট ২ লৌদুনা টিমগীদমক মায় পাক্লবগী খোঙফম শেমখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।


**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎপা, অমাঙথোং মনুংদা য়াম্না শাবা অমদি চিকপা নাবা, অমাঙথোংদা তিনকুপ থোক্লকপা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাঙথোং মনুংদা য়াম্না শাবা অমদি চিকপা নাবা, অমাঙথোংদা তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চংবা, নম্বর ৱান তৌবদা য়াম্না শাবা অমদি ফম্বীগা লোয়নরকপা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নাম্থবা, নাম্থবা শৌজ অদু খুৎনা ইনশিনবা, হকচাং অসি চোকথরগতা লৈবা, কোক তোয়না চিকপা, ঙকশম মরি নাবা, লেঙজুম অনীমক চিকপা নাবা, য়াঙলেন শরু নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম :* 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

*থাগৎচরিবী :* **Rp. Longmila**
***Senapati***

HL-B/3821/3



**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/তোম্সিন ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা তোম্সিন্না য়াম্না কন্না নাদুনা শ্বর হোনবা য়াম্না ৱাবা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, চাবা থকপা ঙমদবা, তিন শিংপা ঙমদবা, ৱা ঙাংবা ঙমদবা, খৌনাও মরেং মরেং চৎপা, খৌনাও মনুংদা নাই চারগা পোম্বা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেমযুম ☎ ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা মতম খরা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা :* **Shagolsem Angouba Singh**
*Mutum Phibou*

HL-P/1081/3



**STUDY MBBS/MD IN ABROAD**

**BANGLADESH:** PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & MARKS MEDICAL COLLEGE.
**KAZAKHSTAN:** SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
**PHILIPPINES:** AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
**CHINA:** HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
**RUSSIA:** ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

PLZ Contact: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School, old Campus Imphal.

NOTE: : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No. : 9856363129, 9615706900, 7085715427,8974084294.

HL-P/1397/22 Apr.-22 May